# "সূ তৌবগী কান্নবা করিবু লৈরিবগে-!"

- এল ইবোমচা -

অহানবা মালেম শেন্বা মতমদগী হৌরদুনা তাইবঙপানবসি লাইজ ঈশিংগুম্না তরু তরুনা লাকই। মালেম্না অসুম অসুম চাওখৎলকপগা লোয়ননা অনৌ অনৌবা অরু অহেনবা অমদি ফজবা অরু অনানবা মশকশিং হাপচিল্লক্তুনা তাইবঙপনবগী মশক শেম্লকই। হান্না লৈরম্বা ফজ দবা অমদি অথীবা শরুক মখৈ হুন্দোকখ্রগা ফজবা অরুবা মখৈ তাইবঙগী ওইরকই। ঈশিংগুম্না তরু তরুনা লাকপা তাইবঙগী পূন্সি ঈচেলদা অরেপ্পা পন্থুং লৈতবা ফুম অমগুম লেপ্তুনা তাউথরি। ফুম অসি অতৈ করিসু নত্তে, চাওখৎপগী মঙাল পুরিবা নুংশিৎকী শাফু মতুং ইন্না তাউদুনা চৎপা মাগী ওইবা অরেপ্পা মফম অমা লৈতবা ফুম্নি। নাপি শিংবীনা শেন্বা অপাকপা ফুম্না মাগী অরেপ্পা পন্থুংফম মফম লৈতবগুম্না মীওইবা খুন্নাই অসিগীসু অসি য়ৌবদগী কা হেন্না ৰাখল লৌশিং হেনবা য়ারোই হায়বা অকক্লবা চৈখৈ লৈতে। মীখলগী লৌশিংনা থা লৈবাক্কী লৈমাইদা মীওইবগী খোঙ্গুল তাহল্লুবা ঙম্লিবনি। থাগী লৈবাক্তা মীওইবগী খোঙ্গুল তাহল্লুবা ঙমগনি হায়বা কনানবু থাজরুনি। থাজরুদনা মীওইবনা থাগী লৈমাইদা খোঙ্গুল তাবা ঙম্লুরে অমদি বিজ্ঞাননা তপ্না তপ্না লেপ্পা লৈতনা অসুম চাওখৎলকপদগী শোয়দনা শিরগদবা অনাবা মীওই কয়া লায়েংবা ঙম্লকপদগী শিরগদবা থৰায় কয়া কনবা ঙম্লক্লে। মালেমগী লৈমায়দা হায়রগনা চীংনুংদা অমদি মসিদা লৈরিবা থৰায় পানবা পান্দবা মখল কয়াগী পোৎশিং অসিদগী হৌরদুনা সুন্দ্রংগী মনুং চনবদা লৈরিবা থা থৰান্মীচাক ফাওবদা মীওইবগী খূৎফমগী মমি তারক্লিবনি। অমরোমদা পোলিটিকেলগী পান্বৈনা পৃথিবী অসি অচৌবা যূমজাও অমা ওইহনবা ঙম্লবনি হায়বা য়ারবনি।

মরম অসিমক্তনি চীংঙু লাইমক্লা মীওইবা অসি মাগী হেক ঙমথংদা লৈবা মাগী মমিগুম্বনি শীংথারম্বগী ৰারী শীংবুল লৈজৈ অমদি মীওইবনা জীব পানবা পূম্নমক্কী নিংথৌনি শীংথারম্বা লৈ। অদুবু নাপল কমজাও হুল্লকপনা মীওইবগী ফজবা অচুম্বা নুংশিবদু হেক হেক থাদোক্লরদুনা অমগা অমগা অঙম অঙম্বা হাত্তোক্লবগী ৰাখলদা চঙনরকই। মসিগী মরু ওইবা মরমদি মপূং ফাদবা লৌশিং খরা তাল্লুরগা মশানা মশাবু নিংথৌনি খঞ্জবদগীনি। নিংথৌনি খঞ্জরবনা মশাগী ফূরুপকী মীওইশিং নত্তনা অতোপ্পা ফূরুপকী মীওইশিংবু হন্থনা অমদি তুকৎচবা মীৎয়েংনা য়েংবা হৌরকই। খুদিংমক্কী মকোক্নি নিংথৌনি খনবদুমক্লা অথোই নাপল কারকই অতোপ্পবু মী ওইনা উবা ঙম্লক্তে। লৈজরিবা লৌশিং কয়াদু ওন্ন-তৈনরবা থবক থৌরমমশিংদা শীজিন্নদুনা ময়াই কাবা লান তৌনদুনা করিমত্তা কান্নদবদা শিবা কিদনা থৰায় থাদোক্লে। মতাং অসিৰাইদা ৰাখল লৌশিং লৈবা মীওই চাম্মা চাম্মনা খুজিং ওইদুনা মখোয়বু ৰাখল লৌশিং তানবা থেমজিল্লবসু থেমজিল্লিবা মীদুদা ওনশিন্দুনা হাৎকে তুপকে তেমশিংনৈ। মসিগুম্বা মীওই কাঙলূপসি হিংনা হিংনা শিরবা মনুংদা হোত্রোংনা হোরবা ইহাম হাল্লবা মালেম লূম্নবা পোকপা মচাশিংনি হায়বা য়াই।

হৌজিক মণিপুরদা তংদু লৈতাদবা হাৎন-শুনবগী মীকপ মীরাওখোলনা নিল্লবা, মীৎকী পিনা খুজেং য়ৌরবা, ঈনা লৌখোং ওইনা চেল্লবা ফীভম অসি য়েংলুরবদি অসিগুম্বা লাঞ্জাও থোকহল্লিবা মীওই কাঙলূপসি অতৈ কনা অমনা থোকহনবা নত্তে। চহী খরমুক্কী মমাঙদগী মণিপুরদা শৈদাংদুনা লৈরিবা মালেমগী মীয়াম্না নার্কো মিলিটেন্টশিং হায়না খঙনরিবা কুকিশিং অসিনি। মখোয় অসি লাইরিক হৈবা হেনগৎলি মতিক ওইদবা মচিন থিবা, ওইদবা ঙাঙবা, হুরান চিন্থি তৌবা, পোপী পান্বী থাবদা অমদি ময়াই কারবা চীঞ্জাক্কী পোৎ চৈ লল্লোনবদা মালেমগী মনুংদা নম্বর ৰাননি। প্রোপেগন্দা তৌবা, ওইদবা হিষ্ট্রি শেম্বদসু য়াম্না হৈথোই শিংথোই। কুকিশিংনা মথোং হুক্তবসি কয়ামুক য়াম্না হুক্তবগে হায়রবদা হিষ্ট্রিদা ডোক্তরেট দিগ্রী ফংলবা মীওই য়াওরক্লবদি মখোয়গী শুক্লে লৈতবা হিষ্ট্রি শাগৎলগা ফোঙবা ঙম্মী। হিষ্ট্রি সবজেক্টকী ঙাক নত্তবদা মখোয়গী লাইরিক হৈরবশিংনা ফোঙবা লাইরিক পূম্নমক অচুম্বদা যূম্ফম ওইবা লাইরিক ফোঙদবনা মরী লৈনবশিংনা মুন্না থিগৎলক্লবা মতুংদা অরানবা ঙাক্তা ওইরম্বদগী বেন্দ তৌখিবনা অয়াম্বনি। মখোয়না মথোং হুক্তবসিদি মহৈ হৈরবনি হায়দুনা মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টতা খ্বাইদগী চাউবা থৌদাং লৈবা পোষ্ট ফাওবা পায়রম্বা মীওই অমনা থবক তোকথোক্লগা ভোট লেপ্তুনা কারগা এম এল এ ওইরবা তুংদা পোপি থারিবসি লৈ ফজবগী থাবনি হায়না ইরায় লায়না হায়বা ঙম্লিবনি। অদুগা কুকি এম এল এ ১০না লৈবাক্কী অরোন অথুপশিংবু ঙাকমিন্নগনি, মণিপুর কনগনি হায়না মণিপুর এসেমব্লগী ফ্লোরদা ৰাশক লৌমিন্নখিবদু করিমত্তা নীংশিংদবমখৈ মখোয় তরামক্লা মণিপুরবু থুগাইরগা কুকিলেন্দ শেম্নবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা চে পীশিনবা ঙম্লিবনি। ঐখোয়না তৌহৈদবা অরানবা থবক কয়াসি তৌরুবদা আইন্না য়াদে হায়বা করিসু খন্দবগী মওংদুনি।

লাইরিক হৈবনি, ৰাখল লৈবনি হায়দুনা মীয়াম্না ভোট পীদুনা মীহুৎ ওইরবা মীওইশিংনা ফাওবা অসুম্না অসুক ৰাখল য়াওদবগী থবক অসি তৌরবা অসিনদি ময়ূমদগী মপান থোকচদবা লাইরিক লাইশুগী মঙাল নীংথিনা ফংদবা কুকিশিংদি করি ৰাখল খল্লমগনি হায়বা খল্লুবদা মম্মী। মখোয়না হন্দক্কী লাল্লকসিদা মীতৈশিংনা খুদোংথীবা কয়া মায়োক্লরদুনা য়াম্না ৰানা উজখিবা লৌ মখোয়না ওইনা লোক্কনি অমদি মৈ চাকহৌদবা মীতৈশিংনা লাঞ্জেন্নখিবদগী হাঙহৌরবা যূমশিংদু মখোয়গী ওইহৌরনি হায়না খিংদুনা লৈবা ঙম্লিবনি। অসুম্না আ মথায় থায়নগী ফিরোল কাবক কাবক শেৎ চাবা হৌরকপদা ঙাইরিঙৈ, অমুনবা চাক এঞ্জাং মহাও লৈনা থোঙ থাক্তুনা চাবা হৈত্রিঙৈ নুঙগী যুগতগী খজিক্তং হাইগৎলকপগী ৰাখল অদু কুকিশিংনা হৌজিক খল্লি। অকনবনা অচুম্বা শক্লরিঙৈ, চাক য়াম চাবনা মশা ফবা, থৌনা ফবা শক্লরিঙৈ খুলগী নিংথৌদা খুকউ খুদক কুন্দুনা খুরুম্নরিঙৈগী শাজৎতু হৌজিক ফাওবা থাদোক্ত্রি।

মতাং অসিদা মীতৈশিংনা য়াম্না ঙক্লিবদি কুকিশিংনা ওইজরসু মালেমগী মীয়াম্না থোইদোক হেন্দোক্লা ৰাখল লৌশিং লৈবা অমদি মতিক চাবা লুচিংবা অমনি হায়না শীংথারিবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিবা নরেন্দ্র মোদিবুনি। মাবু কয়ামুক য়াম্না মীয়াম্না শীংথানবগে হায়বদা মাগী পূক্লিংগী ৰা (মন কি বাট) মীয়াম্না তাগদবগী খৌরাংনা ঙাইদুনা লৈনৈ, ময়া কাবমখৈ তানরিবনি। ঈশিংদা ঙানপ মথী ফাইবা ফাওবা উবা, খঙবা ঙম্মী হায়নরিবনি। অদুবু লমহেন তুহেনবা কুকি মিলিটেন্টশিংগী মফমদদি উদৈ তাবমুক পুংপঙ পঙলে। মরমদি ইন্দিয়াগী অকনবা আইন লৈরিসিগী মরক্তা কুকি এম এল এ ১০না তোঙান্না চোংথোরক্লগা লৈবাক থুগাইনবা মথৌনা লৈনা হোৎনরকপদা করিমত্তা হায়জবা ঙমদে। ইন্দিয়াগী নীংখা তম্বা ওগষ্ট ১৫দা কুকিশিংনা ইন্দিয়াগী মচু অহুমগী ফিরালবু ইকায়খুম্নবা মাঙহনখিবদা তূমিন্না লৈশিনবা ঙম্মী অমদি নুমিৎতুদা চাইনানা শাবা টোই গন শীজিন্নদুনা ফাগি তাহনখিবদা কুক্ষ্মেগুম্না য়েংদুনা লৈবা ঙম্মী। মসিনা তাক্লিবদি মণিপুর কায়গে কায়জৌ, বি জে পিগী লৈঙাক কায়দ্রগা লোইরে হায়বনি। মণিপুরদা বি জে পি পার্টিনা মমল য়াম্মী, হেন্না মরু ওই হায়বনি। লৈবাক অমা হায়বসি তৌবা য়াবা অমদি য়াদবা য়েংশিন্নবা আইন কয়ামা লিংদুনা, শেমদুনা থল্লিবনি হায়বসি প্রাইম মিনিষ্টরনা শিৎ নান্না খঙলিবনি। অদুবু আইনদু খোঙ্গোইনবগী মওংদা কুকিশিংনা আইনবু খূৎনা পায়দুনা শান্ননীংবা মওংদা শান্নবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা পংশিন্নরগা লৈ। মপী মপানি হায়দুনা লৈরগা লৈবাক্কী অসিগুম্বা থবক্তা মবুক শেংদবা হায়বসি লৈবাক নুংশিবা ৰাৎপা প্রাইম মিনিষ্টরনি হায়বদা লানগদবা মান্দে।

অশেংবগীদি দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমা ওইবগী আইন হায়বা অমা ইচাউ চাউনা লৈরি খঙহনফম থোকই। মসি প্রাইম মিনিষ্টরগী মথৌনি। মৈ লামগনিতা তৌবা পীক্লিবা ৰাখল তাদ্রিবা অঙাং মচা অমনা ফালবা মৈনা অমুক্তং পোক্তুনা খুথিবা নংখিবদা মৈ মশক উবা য়াদ্রিবনি। মরম অসিনা ঙরাংতা ইন্দিয়াদা চঙলকপা কুকিশিংনা লৈবাক অসিগী আইনবু করেম কথাইনবগা লোয়ননা শীংনদুনা নাতৈ চাদবা থবক কয়া তৌরিবা অমদি শেমজিন শাজিনবা ৰাহৈ ৰাতাশিং ঙাঙ শক্তুনা লৈরিবসি প্রাইম মিনিষ্টরনা য়াদে হায়বা অমা খঙহনবা মতম ওইরে। সূগী গ্রাউন্দ রুলদুসু ঙাক্ত্রবা, সূগী মিংদা লৈবা কাং খোং চাইহল্লিবা, লৈবাক ৰাহল্লিবা সূগী মরুমদা নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিংনা চথুরিবা লীলা লোইশিনবা মতম ওইরে। 'সূ তৌবগী কান্নবা করিবু লৈরিবগে?" লৈবাক মাঙবা তারে। ●

# ঙসিগী খুন্নাইদা মমা মপা অমসুং মচা

মতম মতমগী

গুরুময়ূম জ্ঞানেশ্বর শর্ম্মা

"মখোয়গুম্বগী পূন্সি অসিনি ঐনা কল্লক্লিবসি কয়াদা নুংঙাইরমগদবা, ৰানা থবক শূরুরগা যূমদা থোংলম্বা অমা চারগা পোথাবদু কয়াদা নুংঙাইরমগদবা চাবদসু হাওরমগনি, করিগী হাওতনি থবক ৰানা শূরুরগা মশানবু ফরবা থোংলম থোংলম্বা খুদিংমক ইহাওদা হাওবনি" যূমগী মমাঙ থংবা বেলকোনিদা ফমদুনা নুংশা য়াইমিন্নরিবা তাদা তোম্বনা লম্বীদা সাইকল থৌদুনা চৎলিবা চাউবদা মখূৎ থিল্লগা হায়রকপনি। মচু মমেন থোক্ত্রবা মরূ ইকোক কোক্লবা ফনা য়াম্না কন্না ওৎলবসু চেল্লু হায়বা ইয়া য়াদ্রবা সাইকল ওৎপা হোৎনবদা নিংথমথাগী অয়ূক্তুদা হুমাং তারিবা চাউববু মশাগী ওইনা অৰাৎপা লৈত্রবা মচা মমৌনা সেবা তৌরিবা মখূৎতা হান্নগা চারিবা তাদা তোম্বনা কল্লকই হায়রকপদা অঙকপা পোকই। চাউবগী পূন্সি অখঙবা মীনা মরেক মহাও থোক্লা লেনবা পূন্সি মরেলনি হায়রোই। অহল ওইরকপগা লোয়ননা অৰাবা থবক্তা মতম শাংনা শূরকপনা মশাগী ফীভম য়াম্না শোকচিল্লে। থবক চিলহাও থিরক্তবা শিন্মী অমা ওইরকপনা মশা নানদবগা লোয়ননা মতম কুইনা শেৎলকপগী মতু য়াওদ্রবা পদ্রাক পদ্রাক তারবা জর্সি অদুগী মথক্তা অমুবা মচু ওইরবসু মতম শাংনা লিৎলকপনা লেংবান অমসুং নঙ্গলদা ইৰাও ৰাওরবা চহী ৫ / ৬ শুরবা জেকেট অদুগা ইলাষ্টিক কোল্লকপনা খুবোমদা লৈয়ু হায়বা য়াদ্রবা খূৎজেংদা হিকথদুনা লৈরবা মোজা অমগা রবরগী খোঙউপ অমগা নোংমতা ফিজোল হোংদবা মখৈ ফোটোগুম্না চৎলিবা চাউবগী পূন্সিবু করিগী কল্লক্লিবনো হংলুবদা মহাক্লা ফিরোল নানজদ্রবসু অনানবা গাড়ী তোংদ্রবসু নুংতি নুমিৎ খুদিংগী নোংমতা লেপ্তুনা চৎলিবা অসি মশাদা লায়না তীলনা চেন্দবা অমদি অনা অয়েক য়াওদবননি, মশাদা লায়না চেল্লবদবু নুংতি নুমিৎ খুদিংগী সাইকল তোংদুনা চৎপা ঙমগদ্রা? নোংমদা চরা নাম্মতা চারবসু অনা অয়েক য়াওদনা হিংবদুনি ঐনা পাম্লিবসি, অদুননি ঐনা মহাক্কী পূন্সিবু কল্লক্লিবসি" হায়রকই।

ময়ূম মকৈ কোনুংমুক চাউনা শারবা, মচা মমৌশিং লৈঙাক্কী থবক তৌরিবা, মশামকসু মশক নাইবা ফম পায়রম্বগী থা খুদিংগী পেন্সন চাউনা ফংলিবা, অনান অনানবা মখলগী গাড়ী কয়া লৈরিবা মহাকপু খঙবা মী খুদিংমক্লা ইকায়খুম্নরিবা তাদা তোম্বগী ৰাহৈশিং অদুনা মঙোন্দা মশাগী ওইবা প্রোব্লেম খরদি লৈরে হায়বা তাক্লে। মালেম অসিদা প্রোব্লেম লৈতবা মীওই অমত্তা লৈরম্লোই। মীপূম খুদিংমক্কী প্রোব্লেম লৈরিবনি অদুক য়াম্না পূক্লিং হন্থনা খন্থবীরুনুদা হায়না মপূক্লিং ফাথনবা হায়রুবদা মহাক্কী অৰাবশিং মথং মথং লিথরকই। মপান্থোংদা য়াম্না ফজনা উরবসু মনুংদদি ফদি ফরা ঙাক্তা ওইবা কান্থগুম্বনি ঐহাক্কী পূন্সিসে, মপান্থোংদা য়েংবদা নুংঙাইবা মানবগী ৰানি, ঐমুক ৰাবা মী মালেম অসিদা লৈরমগদবা মান্দে। হোয় ইচাশিং তোলোপ চায়, ঐহাক্কী পেন্সন ফংই অদুবু অনা লায়েংবদা কোন্নদবনা চাওখৎ থৌরাংগী থবক অমত্তা পায়খৎপা ঙমদে। অদুনা চাবা চাদবা অনা অয়েক য়াওদনা লৈরিবা চাউবগী পূন্সিসে কল্লকইবনি হায়রকই।

মতম খরগী মমাঙদসু নোংমা লম্বী মচিন্দা ফম্বা চা হোটেলদুদা তা তোমাল থেংনবদা 'নুংঙাইরিবরা? নমৌশিংদু ফবরা' হংলুবদা 'নঙসু হয়েং নমৌ লাক্লগা খঙলকখিনি' হায়না খুন্নকখি। উন্নবদুদা ৰারী লৈতবদগী হংলুবনি হংলমদ্রবসু ফরমগনি খল্লকখি। মখা তানা মচা মমৌশিংনা তাথী তাওইনা তৌবগী ৰারী কয়া মপী ঈরা চেলবমখৈ তম্লকখি। মহাক্কী পেন্দবগী ৰারীদা মমৌশিং অদুগী মপাম লম ফাওবা পল্লগা চৈরকখি। মী চৈবদা লম পল্লগা চৈরুনুদা, ফৎত্রিবসি লমদু নত্তে, মীদু ওইরমগনি লমদম অদুদসু অফবা মী কয়া লৈরমগনি হায়ববু তাদে মহাক খাম্নবা হোৎনবদা অৰাবা অমা ওইখি।

নোংমসু বজারদা ঐখোয়বু কোলেজদা তম্বীরকখিবা ওজা অমা থেংনখি, করি লমদগীনো হায়বদুদি চপ চাবা হায়বা ঙমদ্রে, ফনা য়াম্না অহল ওইশিল্লম্লে, ঐনা খঙবনি মহাক্লদি ঐবু খঙবা নত্তে। ঐনা চঙশিল্লগা 'ওজাবু নমষ্টে' হায়না খুরুম্নগা সেল্ফ ইন্ত্রোদ্যুস তৌই, মহাক্লসু হরাও হরাও 'ঐবু খঙবীদুনা কৌরকপসি য়াম্না নুংঙাই' হায়বীরকই। মখা তানা 'ওজা নুংঙাইবিরিবরা' হংলুবদা মায়থোঙদু মকশিনখি ঙাইহাক খল্লগা 'নুংঙাইতেদা, নতৈমদু হন্দক্তা লৈখিদ্রে, ইবানিখক লৈমিন্নরম্বনি অদুনা য়াম্না নুংঙাইতেদা" হায়রকখি। মখা তাবা ইচাশিং লৈতবরা হায়না হংলুবদা 'লৈতবগা চপ মান্নৈদা, ইচাবুদি নুপা অনীগা নুপী অমগা অহুম্নি। ইচানুপীদু ময়ূম পানখ্রে, নুপা অনীদুসু পাল্লে, তোলোপ চাবদুনা নুপীনা চেনখ্রে, ময়াম্বদুসু লৈমিন্নৈ হায়বগী ৰানি ঐখোয়বু হন্না য়েংবীদে। নতৈমদু লৈরিঙৈদদি ঐগী ফংলিবা পেন্সনদুনা তাথোক তাশিন তৌদুনা শিন্নরগা লৈমিন্নরম্বনি। হৌজিক্তি মহাকসু লৈখিদ্রে, ঐগী চাবগীবুদি কোন্নৈ। মরক মরক্তা ইচানুপীদু লাক্লগা ফিশু ফিজাম তৌবীরৈ, নুংঙাইতেদা শিবা ঙাইবনি হায়রকই।

অহলগী মতম ওইশিল্লক্লবা মতমদা ৰাবগী ৰারীদি লোইবা নাইদে। মচা ফজনা শেমখিবা ভাই মনিসু অদুম ৰায়, মানসু ৰাবগী ৰারী অদুম তৌই। মৰা মান্নদবগী ৰানি। মচাশিং মপান্দা মহৈ মশীন নিংথিনা তমহনবদুনা মরম ওইরগা মপান্দা থবক ফংদুনা সেটল তৌখ্রে, হল্লকখিদ্রে হায়। মহাকপুসু মপান্দা লৈরসি হায়, মতম খরসু লৈরুরে অদুবু অহল মতম ওইরক্লবা মতমদা মপান লমদা লৈদুনা মতম লেনবা হায়বসিমসু অরাইবা থবক অমদি ওইদে। চানীংবা চারবসু খঙন চান্নবা মরুপ-মপাং লৈতবনা নোংঙানবা অমুক ঙাইবা, নুমিৎ তাবা অমুক ঙাইদুনা কা মনুংদা মতম লেনবা হায়বসিসু জেলদা লৈবগা চপ মান্নে। মচা মমৌনা মীরাইবীবমক নৎত্রবসু মহাক্কী পূন্সিসু নুংঙাইবদি নত্তে। মচা মমৌগী ফত্তবা ঙাঙদবা মপান্থোংদদি য়াম্না নুংঙাইনা হিংবা মানবা তশেংনদি নুংঙাইনা হিংবা নত্তবা মীওই কয়া অমসু লৈতবা নত্তে।

মচা মশু ফত্তবনা কাতুক কারন তৌরুদুনা অহল মতম ওইরক্লবা মতমদা পোথাফম খঙদবা অৰাবা কয়া মায়োক্লদুনা হিংবা, নহা ওইরিঙৈদা তুংগী খন্দবা মশাগী অনীংবা অপাম্বা কয়া মনীং তম্না তৌরুবগী অহল ওইরক্লবা মতমদা মচা মশুশিংনা নিংথিনা য়েংশিনবীদদুনা অৰাবা কয়া নম্বো পোদুনা হিংবা মীগী মশীংসু ফনা য়াম্না লৈবজাৎনি হায়বনচিংবা তোঙান তোঙানবা ঐনা থেংনখিবা অমদি ৰারী ওইনা তাখিবা কয়া লীদুনা মালেম অসিদা নুংঙাইবা মী অমত্তা লৈতে, খূৎৰা মান্নদবগী ৰানি হায়না তাদা তোম্বগী পূক্লিং ফাথবীনবা হোৎনৈ।

মালেমসিদা নুংঙাইবা মী লৈতে হায়নৈ, অৰা নুংঙাই অনীনা পুল্লগা পূন্সি ওইরিবনিসু হায়নৈ। পূন্সিদা লাক্লিবা অৰাবা অমদি খুদোংচাদবশিং অসিসু ঐখোয়বু মাঙহন-তাকহল্লগে হায়না লাকপসু নত্তে ঐখোয় ঐখোয়দা লোৎতুনা লৈরিবা পোটেন্সিএল অমসুং পৰারশিং অদুবু চিংথোক্লবা লাক্লিবনি হায়না লৌফম থোকই অদুনা কৈদৌনুংদা মায় ওন্দুনা চেল্লোইদবনি। মসি প্রোব্লেম নত্তে, চেলেঞ্জনি হায়না লৌফম থোকই। অদুবু অহল মতম ওইশিল্লক্লবা ৰাখল অমদি পাঙ্গল অনীমক শোন্থরক্লবা, মচা মশুশিংগী মতেংনা হিংগদবা মতমদা মীরাইবীবা অমদি থৌওইবীদবা অসিসু তৌহৈদবা মতৌনি। অদুবু ঙসিগী খুন্নাই অসিদদি লোইনমক নৎত্রবসু পেরেন্ট অয়াম্বদি মনীং থুংদনা অনীংবা অপাম্বা কয়া হায়বা ঙমদনা পূন্সি লোইবা ঙাইবসু য়াওদবা নত্তে।

মমা মপা ওইবশিং অয়াম্বনা মখোয়না শিরবা মতুংদা মচা মশুশিংদগী ইকায়খুম্নবা ফংই হায়নবসু লৈ। হিংলিঙৈ মতমদা নিংথিনা য়েংশিনবীখিদ্রবা মমা মপা শিরবা মতুংদা শ্রাদ্ধ কর্ম্ম শোনখিদবা মচা মশু লৈরমগদ্রা? ধুম ধামদা পাঙথোক্লখিবা ঙাক্তনি। শ্রাদ্ধ খক্তা নত্তে, দিবস (ঙাতংবা) থাগী দিন অমদি কুমওন ফিরোইনচিংবা পাঙথোকখিদবা লৈব্রা? হিংলিঙৈদা পীজনীংদ্রবসু শিরবা মতুংদা লৈখিদ্রবা অত্মাদুনা ফংগনি, ফংলোই খঙদবা চৎনবী পূম্নমক অমত্তা কান্দনা পাঙথোক্লখি, পাঙথোক্লরি। মসিমক্লা লাইওইখ্রবা থৰায়শিং অদুনা পেল্লগদ্রা? মচা পোকপগী মহয় য়াল্লে হায়না লৌবা য়ারবরা? ●

# গ্রেটর মিজোরামগী মঙলান অমসুং এম পি ইলেক্সন ২০২৪

## (ম্যান্মারগী চিন রিজন, সগাইং রিজন অমসুং বাংলাদেশতগী চিত্তাগোং অদুগা মণিপুরদগী চুড়াচান্দপুর, কাংপোকপী, মোরেনচিংবা পূম্নমক পুল্লগা অনৌবা গ্রেটর মিজোরাম অমা শেম্নবগী মঙলান্নি)

- সৌবাম বিরধজ -

হৌখিবা চৈচৎ ১৯৯২দা কুকিশিংবু মোরেদগী নাগাশিংনা তান্থোরকখিবা মতমদা মীতৈশিংদা মতেং পাংবীনবা হায়জখি। মখোয়না লান হান্না হৌরুবদুদি লোৎশিল্লগা থল্লিবনি, মতমদুদি কুকিশিংগী মবুক ফত্তবা/মচিন থীবদু খঙখিদে, হৌজিক্তা তপ্না তপ্না সুম খঙলকপনি। থাজরুদবনা মীতৈ/মৈতৈশিংনা মতমদুদা কুকিশিংগী মতেং পাংখিবনি। মতমদুদা তম্পাককী (মখল য়াল্লবা) লালহৌবশিংনা ম্যান্মারগী লমদমদা মখোয়গী কেম্প কয়ামরুম হাংদুনা মোরেদগী রিমোট কন্ট্রোল তৌনরিবনি। মতমদুদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী নাখোঙ য়াম্না শারিবনি, ইন্দিয়া লৈঙাক্লা কুকি মিলিটেন্টশিংগী মতেং লৌদুনা তম্পাক্কী লালহৌলূপশিংগী কেম্প কয়ামরুম ম্যান্মারদগী তকখায়রিবনি। কুকিশিংনা ইন্দিয়া লৈঙাক্তদি খূৎ থাখিদে, অদুমক্লা অসাম রাইফলশিংগা হৌখিবা চৈচৎ ২০০৫দগী 'সূ' অসি চৎনখিবনি। মমৈথংদা চৈচৎ ২০০৮দা মণিপুর লৈঙাকসু য়াওহন্দুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ত্রাইপর্টাইট টোক অসি চৎনখিবনি। পূম্নমক ইন্দিয়া লৈঙাক্কী খুজিল থৌরাংনি। অসুম্না ইন্দিয়া লৈঙাক্লা কুকি মিলিটেন্টশিংবু মণিপুরদা খুন্দাবা য়ানবগী লম্বী য়াৎখি। সরেন্দর তৌ হায়বা য়াদবা তম্পাক্কী মখল য়াল্লবা (পূনশিন্নবা ঙমদবা) লালহৌলূপশিংগী মথক্তা কুকি মিলিটেন্টশিংগী মতেং লৌদুনা নমথনবা কয়ারক হোৎনখি। ম্যান্মারগী চিন কুকি জোমিশিংগসু ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মরী লৈনদুনা তম্পাক্কী লালহৌলূপশিংগী মপাঙ্গল শোন্থননবা অকনবা থবকশিং লৌখৎখি। মমৈথংদা মণিপুরগী চীংগী লমদমদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা পাক শন্না পোপি থাবগী থবক অসি হৌরকখিবনি। মতৌ অসুম্না মরিপুরদা কুকি মিলিটেন্টশিং অসাম রাইফলশিংগা অনকপা মরী লৈনবা হৌখিবনি। মমৈথংদা পোপি প্লান্টেসন্দগী নার্কো টেররিজম অঙকপা ফংলবা খুমাঙ চাওশিল্লক্তুনা অফবা মখলগী খূৎশু খূৎলায়শিং লৈশিনখি, চীংগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিং অমগা অমগা ফাওননবা লম্বী শেমদুনা (ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ফাওবা মণিপুর লৈঙাক্কী খুথাংদা শেন্বা ঙমদ্রিবা) চুড়াচান্দপুরদগী কাংপোকপী ফাওবগী চীং লম্বীশিং, পোপি প্লান্টেসন্দগী লাকপা ইনকমনা শেমদুনা হৌজিক্কী ফীভম অসি য়ৌরকখিবনি।

মালেমগী ইকনমি দিভেলপমেন্টতা খুমাং য়াম্না য়াঙনা কাপখৎলক্লিবা চাইনানা নোংমা নোংমগী ইন্দিয়াগী অকোয়বগী লমদমশিংদা অফবা মরী থম্লকখিবা হায়বসি ইন্দিয়াগী ওইনদি য়াম্না নিংদোন পোল্লিবনি। ইন্দিয়ানা মনিং মখা তম্বা ফংহনখিবা বাংলাদেশ অসি হৌজিক্তি চাইনাগা অচেৎপা মরী থম্নখ্রবনি। নেপালসু চাইনানা কাঠমন্দু ফাওবা রেল গাড়ী সুপর ফাষ্ট ট্রেন য়ৌহন্দুনা অচেৎপা মরী থম্নখ্রবনি। পাকিষ্টানগা অচেৎপা মরী থম্নরিবনি, শ্রীলঙ্কাসু চাইনাগী শেন্দোন্না লুতোন য়ৌরবনিনা চাইনানা হায়রিবমখৈ লোইনমক য়ারবনি। হৌজিক হৌজিমক ম্যান্মারগী মিলিটরি লৈঙাক চলাইরিবা হুন্তানা শীজিন্নরিবা খূৎশু খূৎলায়, হেলিকোপ্টর, টেঙ্ক, আর্টিলরি পূম্নমক চাইনা অমসুং রসিয়ানা শাবা ঙাক্তনি। যু এস এ অমসুং ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ম্যান্মারদা দেমোক্রেসি হঞ্জিন্নবা লাম্থেংনরিবা ম্যান্মারগী মায়কৈদা লোন্না মতেং পাংলিবনি। ম্যান্মারদা দেমোক্রেসি হঞ্জিল্লবদি যু এস এ অমসুং ইন্দিয়াগী অফবা ওইগদৌরিবনি, ফীভমসিদগী সুম সুম হেঞ্জিল্লক্লবদি যু এন ওনা শোয়দনা খূৎ থিংজি ল্লক্তদৌরিবনি। মতমদুদা ম্যান্মারগী মরাইবক করি ওইগদৌরিবনো হায়বদু তম্বা ঙম্বা নত্তে হায়না মালেমগী লৈবাকশিংনা হায়নরক্লিবনি।

চহী কয়াগী মমাঙদগী কুকিশিংনা গ্রেটর মিজোরামগী মঙলান শাগৎতুনা লাক্লিবনি। মখোয়না বাংলাদেশতগী চিত্তাগোং, ম্যান্মারদগী চিন রিজন, সগাইং রিজন অমসুং মণিপুরদগী চুড়াচান্দপুর, কাংপোকপী অমসুং মোরেনচিংবা পূম্নমক পুনশিল্লগা গ্রেটর মিজোরামগী মঙলান শাগৎতুনা লাক্লিবনি। মঙলান অসি মঙফাওননবগী খ্বাইদগী মরু ওইবা থবক্তি খূৎশু খূৎলায় মতিক চানা লৈবা অসিনা ওইগনি খন্দুনা মণিপুরগী চীংগী শরুক্তা পোপি পান্বীশিং পাক শন্না থাবা অসিনি। মসিদগী লাকপা শেনফমদগী অফবা মখলগী খূৎশু খূৎলায় লৈশিনবা অমসুং মণিপুরগী কুকি কম্যুনিতি তারিবা চীংগী মফমশিং পূম্নমক ফাওন্নবা/শম্নবা লম্বী থোং শেন্বা হায়বসিনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মখোয়সু মখোয়গী মঙলান অসি চুপ্লি অমসুং মায় পাক্লা চঙশিল্লি হায়না খল্লিবনি। মরমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লদি মীতৈ/মৈতৈদগী কুকিশিংনা হেন্না লুনা খল্লি হায়বসিদি হৌজিক্তা মীতৈ/মৈতৈশিংনা তপ্না তপ্না খঙলক্লিবসিনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্লদি মে ৩দগী চুড়াচান্দপুরগী তোর্ব্বুংদগী হৌরকখিবা কুকি মিলিটেন্টশিংনা ফোংনা অফবা মখলগী খূৎশু খূৎলায়শিং পায়দুনা মীতৈ/মৈতৈগী যূম কয়ামরুম পাক্তক্লনা মৈ থারকখিবদু খঙশিন্নদে, অমুক্তসু চুড়াচান্দপুরদা লৈরম্বা মীতৈ/মৈতৈগী যূম কয়ামরুম মৈ থাদোক্লগা বুল দোজরনা তেমখাইদুনা লৈরম্মী হায়বফাওবা খঙদনবা হোৎনখিবা পূম্নমক উশিন্নদনা মচিন মেন্দুনা থা ১০ হৌখ্রবা ফাওবা লৈরক্লিবসিনি। মসিদবু করম্না ইন্দিয়া লৈঙাকপু মীতৈ/মৈতৈশিংনা থাজগদৌরিবনো?

হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টকী ১৮শুবা মীখলগী নোটিফিকেসন থোকখ্রবনিনা কোদ ওফ কন্দক্ট চৎনখ্রবনি। মতম খরগী মমাঙদা মণিপুরগী বি জে পিগী টিকেট তান্নরিবশিংগী মরক্তা শকখঙদবা (য়াম্না মরু ওইবা মীশক) অমা য়াওরিবদু হৌজিক্তি পূম্নমক্লা খঙনরক্লে। ইন্দিয়াগী ওইনা বি জে পিগী অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা সিট ১৯৫ লাউথোকখ্রবা মতুং অনীশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা সিট ৭২ অমগসু লাউথোক্তুনা পূন্না সিট ২৬৭ লাউথোকখ্রে। হৌখিবা মার্চ ১৭তা সিট খরসু লাউথোক্কনি হায়নখিবনি, করি করম্বা খুদোংচাদবা লৈবনো খঙদে আর্টিকল অসি ইবা লোইবা ফাওবদি লাউথোক্ত্রি। নোংমা নীনিদদি শোয়দনা লাউথোক্লগনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মতুংইন্না মণিপুরগী ওনরেবল চীফ মিনিষ্টরবু এম পি ইলেক্সন অসিদা ভোট লেপ্পনবা টিকেট পীরগনি হায়না হায়নরিবসিনা কয়াম চুমগদৌরিবনো হায়বদুদি খঙদ্রে, হায়নবদি কন্না হায়নরক্লি। মে ৩দগী কুকি মিলিটেন্টশিংনা হৌরকখিবা থা ১১ শুরক্লবা মতম অসি ফাওবদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরবু অমুক্তা ফাওবা উনবা ফংদ্রিবনি। করি মরমগী মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা প্রাইম মিনিষ্টরবু উনবা ফংদ্রিবনো? থা খরগী মমাঙদা কারকখিবা মিজোরামগী চীফ মিনিষ্টরনা প্রাইম মিনিষ্টরগা উনখ্রবনি। পূম্নমক অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী অপাম্বগী মখা পোল্লিবনি। মরমশিং অসিনা হন্দক্কী এম পি ইলেক্সন অসি য়াম্না অরুবা ওইগদৌরিবনি। ঐখোয়গী তম্পাক্কী ভোটরশিংনা (চীং অমসুং তম্পাক) অনীমক্তা লিংজেল মান্নবদু চপ চানা খঙহনবগী তানফম অসি নান্থোক্তনবা হোৎনগদৌবনি নৎত্রবদি ঐখোয়গী ফূরুপ অসি তপ্না তপ্না অসুমক মাঙখ্রগনি। ইন্দিয়াগী ওইনসু বি জে পিগী এম পি হান্নগী মশীং অদুমক্তি য়ৌররোই (এন দি এ) গী অপূনবা এম পি মশীং শোয়দনা হন্থরগনি। মণিপুরগী ওইনদি ইন্নর অমসুং আউটর অনীমক বি জে পি হল্লক্লরোই, মণিপুরী ওইনা ৰাখল্লোন মান্নবা পার্টি ১০ পূনশিন্নদুনা ইন্নরদা কম্মন কেন্দিদেট পুথোক্তদৌরিবসি য়াম্না চুল্লবা খোঙথাংনি।

তম্পাক্কী মতাংসি ঙাইহাক নাথৈরগা চীংগী লৈরিবা সেদ্যুল্ড ত্রাইব এরিয়াগী ওইনা নাগা ভোটর মশীং অসি ৪,৬৮,৫১২নি, কুকি ভোটর মশীংনা ৩,২১,১৯৯নি, লোয়ননা ভোট লেপ্পদি য়াদবা, থাদবদি য়াবা তম্পাক্কী কেন্দ্রসি জিরিবাম থারগা অপূনবা এ সী ৮গী ভোটর মশীং অসি ২,৫১,২১৮নি। অপূনবা চীংগী ভোটর মশীং অসি ১০,৪০,৯২৯ ওইরিবনি। হৌজিক হৌজিকমক্কী ওইরিবা মণিপুরগী ফীভম অসিদা তম্পাক্কী ভোটরশিংনা কুকি এম পিগী কেন্দিদেটতা ভোট পীরক্কনি হায়বসিদি শুংথা থাজনীংঙাইদি ওইদে। অদুমকপু করিগুম্বা কুকি মরক্তগী এম পিগী কেন্দিদেট থোরক্লবদি কুকি ভোটরশিংনা সোলিদ ওইনা ভোট পীশিন্দুনা অদুমক ভোট কাখিবসু য়ারিবনি। মরমদি চীংগী ওইনা কোংগ্রেসকী নাগা কাঙলূপকী মীহুৎ ওইনা উখ্রুলদগী অলফ্রেদ কানঙম অর্থর (নাগা) গী মমিং লাউথোকখ্রবনি। এন পি এফ অমসুং বি জে পিগী কেন্দিদেট অমমম শোয়দনা থোরকখিগনি। মরম অদুনা অপূনবা ভোটর মশীং অসিদগী কুকি কম্যুনিতিগী মশীং অসি খাইদোকখ্রগা (১০,৪০,৯২৯-৩,২১,১৯৯) = ৭,১৯,৭৩০ অসিনা কেন্দিদেট অহুমক্লা য়েন্নবদা কুকি কেন্দিদেটনা ফংগদৌরিবসি য়ৌবা ঙম্বা য়াগদ্রা হায়বসি অরুবা ৰাহং অমনি। মরমশিং অসিনা হন্দক্কী এম পি ইলেক্সন অসি য়াম্না অরুবা ওইগদৌরিবনি। অসুম্না তপ্না তপ্না কুকি কম্যুনিতিনা/মিলিটেন্টশিংনা গ্রেটর মিজোরামগী মঙলান শাগৎতুনা লাক্লিবসি নাকোইননা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা শৌগৎপননি। মসি খঙনা ঐখোয় মীতৈ/মৈতৈনা এম পি ইলেক্সন অসিদা ঐখোয়গী লিংজেল মান্নবদু চপ চানা খঙহলহৌগদবনি। হৌজিক হৌজিকমক চীংখোঙ চীংয়াদগী লাঞ্জেন্নরক্তুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিংদা খুদক্কী ওইবা খুদোংচাবা খরা ফংহল্লগা মশাগী চহী মঙাগী হক অদুগা খক ওন্থোক্লগে হায়না খল্লোইদৌবনি। পূক্লিং চেৎনা ইয়ুম লমদমদা অমুক হন্না হঞ্জিন্নদুনা হান্নগী মতৌগুম্না লৈবা ফংজগে খন্না ইশাগী ভোট অদু নম্বীগদৌবা মতমনি, এম পি ইলেক্সন ২০২৪না মণিপুর মীকপ থোকহল্লসি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৰারেংশিং অসিগী ৰাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৰাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।